## বোর্দরদা কোভিদ কন্ট্রোল কনখৎলগনি

বৈজিং, এপ্রিল ০৬ (এজেন্সি) :
চাইনাদা কংফালগী বোর্দরশিং ফাওরগা মপান্দগী ভাইরস পুশিল্লকপা য়াবগী রিস্ক হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা অসিগুম্বা কেসশিং হন্দক্তা লৈবাক অসিগী এয়রপোর্টশিংদা হেনগৎলকখিবগী ফিভম য়েংদুনা লৈবাক অসিনা বোর্দরদা হেন্না কনবা চেকশিন থৌরাং কয়া লৌদুনা ইম্পোর্টেদ কোভিদ কেসশিং থিংননবা হোৎনরগনি হায়না চাইনিজ গভর্নমেন্টনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

## মীকুপ-নাহুম শিংনা লৈননবা খঙহনখ্রে

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০৬ (এজেন্সি) :
য়ু এসকী ব্রোনক্স জুদা লৈবা কৈ অমা চাংয়েং তৌবদা নোভেল কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনখিবগা লোয়ননা নিংথৌকাবা নুমিত্তা সেন্ট্রেল জু ওথোরিটি (সী জেদ এ)না লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা লৈরিবা জু খুদিংমক্তা মীৎকুপ নাহুম শীংনা লৈনবা অমসুং কোভিদ-১৯গী চাংয়েং তৌনবা সেম্পলশিং কলেক্সন তৌনবা খঙহনখ্রে। সী জেদ এগী মেম্বর সেক্রেটরি এসপিয়াদবনা ষ্টেট খুদিংমক্তা লেটর ইদুনা খঙহনখিবনি।

## য়ু কেগী প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সন কোভিদ-১৯গী লাইওং লেপ্তুবদগী হোস্পিটালদা টেষ্ট কয়া চথখ্রে



লন্দন, এপ্রিল ০৬ (এজেন্সি) :
বৃটিশ প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সন কোভিদ-১৯গী চাংয়েংদা পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনখিবা মতুং নুমিৎ ১০ নি শুরবা ফাওবদা মখা তানা কোরোনাভাইরসকী লাইওংশিং লেপ্তুবদগী নিংথৌকাবা নুমিত্তা হোস্পিটালদা পুখত্তুনা চাংয়েং কয়া চথখ্রে। অদুমওইনমক লৈঙাক্কী থবক-থৌরম পুন্নমক মখা তানা মহাক্কী লিচিং মখাদা চথরি হায়না গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগী ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা থাদা কোরোনা-ভাইরসকী চাংয়েংদা পোজিটিভ ওইরম্বদগী দাউনিং ষ্ট্রিটতা তোঙান্না নাইতোম লৈরকখিবা জোন্সন মখা তানা টেম্পরেচর ৱাংবগী ফিভম লৈবগা লোয়ননা মহাক্কী দোক্তরশিংনা অহেনবা চাংয়েং খরা চথবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না পাউতাক পীবদগী হৌখিবা নোংমাইজিংগী অহিংদা হোস্পিটালদা পুখৎখিবনি।

প্রাইম মিনিষ্টরগী ওফিস অমসুং মিনিষ্টরশিংনা ফোঙদোকখিবদা, মশাগী চহী ৫৫ শুরবা জোন্সননা মখা তানা গভর্নমেন্ট চল্লাইরি অমসুং প্রাইম মিনিষ্টরগী ফিভম ফনা লৈরি। চেকশিন থৌরাং ওইনা রুটিন টেষ্টশিং চথনবা মহাক হোস্পিটালদা লৈরিবনি। দাউনিং ষ্ট্রিটকী মায়কৈদগী করম-করম্বা টেষ্টশিং জোন্সনদা চথগদে হায়বদুদি ফোঙদোকখিদে।

মহাক ফিভমগী মতুং ইন্না তঙাইফদ্রবদি হোস্পিটালদা মতম খরা লৈগনি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা হাউজিং সেক্রেটরি রোবার্ট জেনরিক্না হায়খি মদুদি, ইমর্জেন্সি এদমিসন ওইদবনা অথুবা মতমগী মনুংদা প্রাইম মিনিষ্টর জোন্সন নম্বর ১০ দা শোয়দনা হল্লক্কনি হায়না ঐহাক্না থাজে। পনবা য়াবদি, হৌখিবা মার্চ ২৭ তা জোন্সন্না চাংয়েংদা মহাক নোভেল কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরল্লে হায়না লাউথোক্তুনা মালেমগী মরু ওইবা লৈবাক অমগী অসিগুম্বা অহানবা লিদর ওইখি। মদুগা লোয়ননা মহাক দাউনিং ষ্ট্রিটকী এপার্টমেন্ট অমদা তোঙান্না লৈবা হৌখিবনি। চৈরকসিদা, মশাগী চহী ৪৬ শুরবা ফোরেন সেক্রেটরি দোমিত্রিক রাবনা চ্যের লৌদুনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা গভর্নমেন্টকী ইমর্জেন্সি কোভিদ-১৯ মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

## টোকিয়োদা কোরোনাভাইরস ইমর্জেন্সি লাউথোক্লগনি



টোকিয়ো, এপ্রিল ০৬ (এজেন্সি) :
জপান্না কোরোনাভাইরস লাইচৎ লেপহন্নবা হোৎনবা অমা ওইনা খরা ঙন্না লৈবাকপোকপা নুমিৎ ফাওবগী মনুংদা টোকিয়ো অমসুং অতৈ প্রিফেকচর ৬ তা ইমর্জেন্সি চৎনহল্লগনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর সীঞ্জো অবেনা ফোঙদোকখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা গভর্নমেন্টনা শাথিরবা লাইচৎ অসিনা পীরিবা শেল-থুমগী চৈথেং মায়োক্লবদা খুদোংচানবগীদমক্তা দোলর বিলিয়ন ৯৯০গী পেকেজ অমসু শেম-শাখ্রে।

জপানদা মীওই ৩,৫০০ হেন্না কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিদা ভাইরস অসিনা মীওই ৮৫ শিহনখ্রে। কোভিদ পোজিটিভ কেস অমসুং অশিবা মশিং মালেমগী হোটস্পোট খরগা চাংদম্নবদা য়ামদে হায়না লৌবা য়ারবসু জাপানদসু ইনফেক্সন মশিং লেপ্তুনা হেনগৎলক্লি। মরু ওইনা কেপিটেল টোকিয়োদা পোজিটিভ কেস হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা গভর্নমেন্টদা মীপাইবা পোকহনখিবনি। নিংথৌকাবা নুমিত্তা অনৌবা কেস ৮৩ দিটেক্ট তৌখিবগা লোয়ননা সিটি অসিদা হৌজিক লৈরিবা কোভিদ-১৯গী কেস ১০০০ দগী হেল্লে। মেদিকেল ফ্রন্টনা মায়োক্ল রক্লিবা ক্রাইসিসকী ফিভম অসিনা মরম ওইদুনা গভর্নমেন্টনা ইমর্জেন্সি লাউথোক্লবা শেম-শারকপনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর সীঞ্জো অবেনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

## সিঙ্গাপোরদা মপান্দগী লাকপা শিন্মী ২০,০০০ ক্বারেন্টাইন তৌখ্রে



সিঙ্গাপোর, এপ্রিল ০৬ (এজেন্সি) :
সিঙ্গাপোরদা কোরোনাভাইরসকী কেস হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা সিটি ষ্টেট অসিনা সাউথ এসিয়াদগী লাকপা কয়া য়াওনা ফোরেন ৱর্কর ২০,০০০ নুমিৎ ১৪ নি মখোয়-মখোয়গী দোর্মিটরিশিংদা লৈননবা খঙহনখ্রে হায়না নিংথৌকাবা নুমিত্তা মিদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

বি বি সীগী রিপোর্টনা হায়, গভর্নমেন্ট ওথোরিটিশিংনা মফম অনী সীল্ড তৌশিনখ্রে। মফমশিং অদুদি পুংগোলদা লৈবা এস ১১ দোর্মিটরি অমসুং খরা পীকথবা ৱেষ্টলাইট টো গুৱান দোর্মিটরিনি। দোর্মিটরি অমদা ৱর্কর ১৩,০০০ অমসুং কেস ৬৩ লৈ অমদি খরা পীকপা দোর্মিটরি অদুদনা ৱর্কর ৬,৮০০ অমসুং কেস ২৮ লৈ হায়রি।

দোর্মিটরি অনী অসি কন্সট্রক্সনগী থবক তৌনবা ইন্দিয়া য়াওনা সাউথ এসিয়াদগী লাকপা মীওইশিংগী লৈফমশিংনি। গভর্নমেন্টগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি মদুদি, দোর্মিটরিশিং অসিদা কোরোনাভাইরস কেস মশিং হেনগৎলক্লি অমসুং মখোয়বু তোঙান্না থম্বগী থৌরাং অসিনা মখোয়দা খুদোংথিবা থোকহন্দবতা নত্তনা শাথিরবা লাইচৎ অসি অতৈ কম্যুনিটিতা পাক শন্না শন্দোকহন্দবদা মতেং ওইরগনি।

ৱর্করশিংবু মখোয়-মখোয়গী ব্লোকশিং থাদোকহন্দবগা লোয়ননা মখোয়গী কা নৎত্রগা ফ্লোরদা লৈতবা মীশিংগা তিন্নদনবা নৎত্রগা লোয়নদনবা খঙহনখ্রে। ৱর্করশিং ক্বারেন্টাইন তৌদুনা থম্লবসু মখোয়গী তোলোপশিং কায়দনা ফংগনি অমসুং মখোয়গী ইমপ্লোয়রশিংনা মখোয়গী খুৎশুমলশিং পীবা য়ানবা নোংমদা সিঙ্গাপোর দোলর ১০০ (য়ু এস দোলর ৬৭) ক্লেম তৌবা য়াই হায়না গভর্নমেন্টকী ষ্টেটমেন্টনা ফোঙদোকখি।

মখোয় নোংমদা মিল অহুম, মাইদা উপ্পবা মাস্কশিং, হেন্দ সেনিটাইজরশিং অমসুং থর্মোমিটরশিং ফংগনি। মখোয়গী টেম্পরেচর নোংমদা অনীরক রেকোর্দ তৌগনি অমসুং ওনসাইট মেদিকেল সপোর্টসু ফংগনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তাখি।

বি বি সীগী রিপোর্ট মতুং ইন্না সিঙ্গাপোরদা হৌজিক ফাওবদা কোভিদ-১৯গী কেস ১,৩০০ হেন্না লৈরে অমসুং লায়না অসিদগী মীওই ৬ শিখ্রে।

## স্পেনদা কোরোনাভাইরসনা শিহনবগী চাং অমুক তপথরক্লে



মদ্রিক, এপ্রিল ০৬ (এজেন্সি) :
স্পেনদা নোভেল কোরোনাভাইরসনা মী শিহনবগী চাং থংন-থংনা মরিনি শুবা নুমিৎ ওইনা নোংমাইজিং নুমিত্তসু হন্থখ্রে। মালেম শীন-থুংনা শন্দোক্লিবা শাথিরবা লাইচৎ অসিনা মী মশিং খ্বাইদগী য়াম্না শিহনবদা অনীশুবা ওইরিবা লৈবাক অসিদা হৌখিবা মার্চ থাখায়দগী লৈরকখিবা লোকদাওনগী ফিভম থেংখাং নাইনা কোমথোক্লবা থৌরাং তৌরিঙৈদা ফিভম অসি লাকখিবনি।

লাইচৎ অসিনা খ্বাইদগী ফিভম থিনা শোকহল্লিবা ইটালিগুম্না স্পেনগী দেতানসু লাইচৎ অসিদা মী মশিং খ্বাইদগী য়াম্না শিহনবগী তাঙ্কক লোইরম্লগনি হায়বগী থাজবা পোকহনখি। হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা পুন্না মীওই ৬৩৭ শিখি হায়না নিংথৌকাবা নুমিত্তা রিপোর্ট তৌখি। মসি কেস হেনগৎলকপগী চাং চাদা ৫ নি অমসুং মমাংগী চয়োলদা লৈখিবা চাংগী তঙ্খায় অমরোমনি।

স্পেনগী লমদম খুদিংমক্তা পান্দেমিক অসিগী খোঙজেলগী চাং তপথরক্লে হায়না ঐখোয়না ওবজর্ভ তৌরি হায়না স্পেনগী হেল্থ ইমর্জেন্সি কম্মিটিগী দেপ্যুটি হেদ মরিয়া জোস সিয়েরানা ভার্চ্যুএল ন্যুজ কনফরেন্স অমদা পাউমীশিংদা হায়খি।

ফোরেন মিনিষ্টর অরানচা গোঞ্জালিজনা ফোঙদোকখিবদা, অথিংবশিং লৌথোকপা য়ানবা টেষ্ট তৌবগী চাং হেনগৎহনবা হায়বসি য়াম্না তঙাই ফদে। স্পেনিস সিটিজনশিংনা থেংনরিবা লোকদাওন অসি থেঙ্খাং নাইনা লৌথোকপা য়ানবগীদমক্তা শাথিরবা ভাইরস অসিনা শোকহল্লবা মীওইশিং খঙদোক্লবা হোৎনবগা লোয়ননা লাইচৎ নেমথহন্নবা ঐখোয়না শেম-শারি হায়না মহাক্না টি ভি ষ্টেসন এন্টিনা থ্রিদা ফোঙদোকখি।

গোঞ্জালিজ মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, হৌজিক ফাওবদা স্পেনদা ইনফেক্সন লৈরবশিং নৎত্রগা কোভিদ-১৯ লায়না লৈরম্বা য়াই হায়না চিংনবশিংদমক টেষ্ট তৌরকখিবা ওইরবসু হৌজিক্তি লাইওং উত্তনা লায়না শন্দোকপা ঙম্বা মীওইশিং মশক খঙদোক্লবা পাক-শন্না চাংয়েং চথবদা মীৎয়েং চঙলগনি। স্পেনিজ কম্পনিশিংনা চয়োল অমদা টেষ্ট কিট ২৪০,০০০ শাবা ঙমদুনা কেপাসিটি শীংথানিংঙাই ওইনা হেনগৎহনবা ঙম্লে হায়না মিনিষ্টরনা হায়খি।

## হেল্থক্যের ৱর্করশিং ঙাক-শেনবিনবা প্রাইম মিনিষ্টরদা তকশিনখ্রে




ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০৬ (এজেন্সি) :
কোভিদ-১৯গা মরী লৈনবা অশেংবা ইশ্যুশিং হৌদোক্লুবগীদমক দোক্তরশিং অমসুং অতৈ হেল্থক্যের প্রোফেস্নেলশিংবু টার্গেট তৌবগী থৌওংদা নুংনাংবা ফোঙদোক্লদুনা দিল্লিদা লৈবা ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (এইমস)কী রেজিদেন্ট দোক্তরস এসোসিএসন্না নিংথৌকাবা নুমিত্তা প্রাইম মিনিষ্টরদা চেরোল অমা পীখ্রে।

হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা ঐখোয়গী ফ্রন্টলাইন হেল্থক্যের ৱর্করশিং - দোক্তরশিং, নর্সশিং অমসুং অতৈ সপোর্ট ষ্টাফনা পর্সনেল প্রোটেক্তিভ ইক্বিপমেন্ট (পি পি ঈ) শিং, কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌনবগী ইক্বিপমেন্ট অমসুং ক্বারেন্টাইন ফেসিলিটিশিং মতিক চানা লৈবা লৈতবগা মরী লৈনবা ইশ্যু কয়া সোসল মিদিয়াদা পুথোক্লরকখি হায়না এসোসিএসন অসিনা ফোঙদোকখি।

এজেন্সিদা ৱা ঙাঙলদুনা আর দি এগী প্রসিদেন্ট অদরস প্রতাপ সিংহনা হায়খি, কোভিদ-১৯ গা মরী লৈনবা অশেংবা ৱাফম খরা পুথোক্লুবগীদমক্তা দোক্তরশিংদা টার্গেট তৌবিবগী থৌদোক কয়া থোকখিবা লৈরে। মতাং খরদা মখোয়বু ট্রান্সফর তৌবিবা নৎত্রগা কেস খরদনা মফম ফাওবা লৌথোকপিবা লৈখ্রে।

ডা. প্রাতাপনা মখা তানা হায়খি মদুদি, দোক্তর কয়ানা মখোয়গী সোসল মিদিয়া একাউন্টশিং কুপ্না য়েংশিল্লি অমদি মখোয় পামদবা ফিভম কয়া মায়োক্লরকপা য়াই হায়রদুনা কোভিদ-১৯গা মরী লৈনবা অশেংবা ৱাফম খরা পুখৎলুবগীদমক মখোয়গী ইন্সটিট্যুটশিংনা মখোয়দা কিহল্লকপা লৈরে হায়না এসোসিএসন অসিদা পাউ পীরক্লে। হেল্থক্যের ৱর্করশিংনা পীরিবা ফিদবেক অসি গভর্নমেন্টনা শীজিন্নবিগদবনি হায়না এসোসিএসন অসিনা মখা তাখি।

## য়ু পিদা লোকদাওন থুগায়বশিংনা পুলিসতা এটেক তৌখ্রে



বরেলি, এপ্রিল ০৬ (এজেন্সি) :
য়ু পিগী মফম অমদা লোকদাওন চৎনহন্নবা হোৎনরিবা পুলিস টিম অমদা মীওই কয়ানা এটেক তৌখ্রে হায়রি। থৌদোক অদু নিংথৌকাবা নুমিত্তা য়ু পিগী বরেলি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা করম্পুর চৌধরি ভিলেজ দা থোকখিবনি। মীওই কয়া লন্বীদা পুন্দুনা লৈবগা লোয়ননা মখোয় খরদি জ্বার শান্নদুনা লৈখি হায়রি।

মফম অদুদা লৈরিবা ফিভমদুগী পাউ পুলিসনা হেক ফংবগা ভিলেজ অদুদা পুলিস টিম অমা চঙশিন্দুনা মফমদুদা লৈরল্লিবা মীওইশিং অদু ময়ুম-ময়ুমদা তানশিন্নবা হোৎনখি। অদুমওইনমক মীওই খরনা পুলিস টিম অদুদা নুঙনচিংবা লংশিন্দুনা এটেক তৌখি অমসুং থৌদোক অদুদা এদিসনেল সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস অভিসেক ভর্ম মখোঙদা শোকখি। থৌদোক অদুগী মতুং তারকপদা অহানবা ফোর্সশিং মফম অদুদা কৌশিনখিবগা লোয়ননা লন্বীদা থোক্তুনা লৈরল্লিবা মীওইশিং অদু ময়ুম-ময়ুমদা চঙনখি হায়রি।

পুলিস সোর্সশিংগী মতুং ইন্না থৌদোক অদুদা মীওই ৪০ রোম পুলিসনা দিটেদ তৌখি।

চৈরকসিদা, কেরলাগী হান্নগী ষ্টেট পুলিস ওফিসর অব্দুল অজিজ শিখিবগী মতাংদা মপুং ফারবা ইনভেষ্টিগেসন অমা চথনবা ষ্টেট অসিগী কোংগ্রেসনা লুচিংবা ওপোজিসন্না চীফ মিনিষ্টর পিনারাইয়ি বিজয়নদা তকশিনখ্রে হায়না কোংগ্রেস পার্টিগী মকোক থোংবা লুচিংবা অমনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

পুলিস ওফিসর অদু হৌখিবা মার্চ ৩১ দা লৈখিদবনি। চীফ মিনিষ্টর বিজায়ননা মহাক্কী মীশি অদুবু ষ্টেট অদুদা কোরোনাভাইরস পোজিটিভ পেসেন্ট শিবগী অনীশুবা থৌদোক্লি হায়না লাউথোকখি। ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা কোংগ্রেসকী ভাইস-প্রসিদেন্ট টি সরতচন্দ্র প্রসাদনা চীফ মিনিষ্টর বিজয়নদা অজিজকী মীশি অদুগী মতাংদা মপুং ফারবা ইনভেষ্টিগেসন অমা চথনবা তকশিনখি।

## কর্ণাতাকা ৱকফনা তাব্লিঘিশিংদা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌনবা হায়খ্রে



বেঙ্গলুরু, এপ্রিল ০৬ (এজেন্সি) :
কোরোনাভাইরস লাইচৎ লাকশিন্নবা হোৎনহৌদবা মতমদা লাক্কদৌরিবা কিনিংঙাই ওইরবা ফিভমগী মতাংদা নুংনাংবা উৎপগা লোয়ননা ষ্টেটনা চল্লাইবা কর্ণাতাকা ৱকফ বোর্দনা দিল্লিগী তাব্লিঘি জমাটতগী হল্লকখিবা পুন্নমক্তা কোভিদ ষ্টেট তৌথোক্লবা আপিল তৌখ্রে হায়না নিংথৌকাবা নুমিত্তা মকোক থোংবা ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা মার্চ থাদা ন্যু দিল্লিগী নিজামুদ্দিন মোস্কতা পাঙথোকখিবা মীফমদা শরুক য়ারুরগা হল্লক্লুবা ষ্টেট অসিগী মীওইশিংনা গভর্নমেন্টনা চল্লাইবা হোস্পিটালশিংদা খুদক্তা কোভিদ টেষ্ট তৌথোক্লুবা ঐখোয়না মখোয়গীদমক য়েংদুনা আপিল তৌরি হায়না বেঙ্গলুরুদা ৱকফ বোর্দকী চীফ এগজিক্যুটিভ ইস্লাউদ্দিন গদয়ালগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

দিল্লিগী থৌরম অদু য়াওরুরগা তাব্লিঘি ৪০০ রোম ষ্টেট অসিদা হল্লক্লে হায়বসি ষ্টেট গভর্নমেন্টনা খঙলবা মতুংদা মখোয়গী মনুংদগী মীওই ২০০-২৫০ রোমদি হৌজিক ফাওবদা ষ্টেটনা চল্লাইবা হোস্পিটালশিংদা কোভিদ টেষ্ট তৌহল্লে। নুপী মরি য়াওনা মীফম অদুদা শরুক য়ারুবা মীওই ২০ লোম পোজিটিভ ওইরম্বদগী খন্দোক্লবা হোস্পিটালশিংদা লায়েং চথরি। অতৈশিং অদুনা চাংয়েংদা নেগেটিভ ওইরল্লবসু হোম ক্বারেন্টাইন তৌদুনা থমখ্রে।

কর্নাতাকাদা রেজিষ্টর ব্রাঞ্চ লৈতবা মরম্না মার্চ ১৩ দগী ১৮ ফাওবা হায়বদি মর্কজতা নুমিৎ তরুক্লি চুপ্না পাঙথোকখিবা অচৌবা মীফম অদুদা ষ্টেট অসিগী তাব্লিঘি কয়ানা শরুক য়াখিবগে নৎত্রগা ষ্টেট অসিদা তাব্লিঘি কয়াম লৈবগে হায়বগী দেতা ঐখোয়দা লৈতে হায়না বোর্দকী ওফিসল অমনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।

হান্নগী মিনিষ্টরশিং অমসুং লেজিসলেটরশিং য়াওনা ষ্টেট অসিগী মুস্লিম লিদরশিংনসু মীফমদুদগী হল্লক্লুবা তাব্লিঘি পুন্নমক্তা কোভিদ টেষ্ট শোয়দনা পাঙথোক্লুবা আপিল তৌখি।

## আইসোলেসন পেসেন্ট ৪০,০০০ থম্নবা রেল কোচ ২,৫০০ শেম-শারে



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০৬ (এজেন্সি) :
লৈবাক অসিদা নোভেল কোরোনাভাইরসকী কেস লেপ্তুনা হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা লৈবাক শীন-থুংনা লোকদাওন হৌখিবদগী রেলৱেজনা হৌজিক ফাওবদা নুমিৎ ১০ নি খক্কী মনুংদা কোচ ২,৫০০ হেন্না আইসোলেসন ৱার্দশিং ওন্থোক্লে হায়রি।

রেলৱেজ মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সপর্সন অমনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখিবদা, অহানবগী থৌরাংদি কোচ ৫,০০০ আইসোলেসন ৱার্দশিং ওন্থোক্লগা শীজিন্নবনি। মেনপৱার রিসোর্সশিং ৱাৎলিঙৈ লোকদাওন মনুংগী তেল্লবা মতমগী মনুংদা তোঙান-তোঙানবা রেলৱেজ জেনশিংনা য়াল্লবা কোচশিং অসিবু আইসোলেসন ৱার্দশিং ওন্থোক্তুনা ওইথোকফম থোক্তবা থবক অমা মায় পাক্না পাঙথোকখ্রে।

কোচ ২,৫০০ রোম আইসোলেসন ৱার্দশিং ওন্থোকখিবগা লোয়ননা হৌজিক আইসোলেসন বেদ ৪০,০০০ মেদিকেল কন্টেজেন্সি খুদিংমক্তা খুদোংচানবা শেম-শারে হায়না পল্লদুনা ওফিসল অসিনা হায়খি মদুদি, লৈবাক অসিগী মফম ১৩৩ দা চাংচত্তা নুংতিগী রেলৱে কোচ ৩৭৫ আইসোলেসন ৱার্দশিং ওন্থোক্লি। মেদিকেল এদভাইজরিশিংগী মতুং ইন্না আইসোলেসন ৱার্দশিং ওল্লবা কোচশিং অদুদা তঙাইফদবা মেদিকেল ইক্বিপমেন্টশিং ফিট তৌরে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

অমরোমদা, লৈবাক অসিগী কনফার্ম তৌরবা কোরোনাভাইরস কেস ৪,০৬৭কী মনুংদা কেস ১,৪৪৫দি নিজামুদ্দিন তাব্লিঘি জমাট মীতিনগা মরী লৈনৈ অমসুং হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা পোজিটিভ কেস ৬৯৩ রিপোর্ট তৌখিবা লৈরে হায়না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে। জোইন্ট সেক্রেটরি হেল্থ লাভ অগরৱালগী মতুং ইন্না কোভিদ পেসেন্ট ২৯২ লায়েংবদা ফরে অমসুং ১০৯ লৈখিদ্রে।